**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-02-2025)**

**রেদিও ঃ** ৱার্ল্ড রেদিও নুমিৎ ঙসি মালেম শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারি ১৩ বু ৱার্ল্ড রেদিও ডে হায়না পালন তৌদুনা লাক্লি। কুমশি চহিগী ৱার্ল্ড রেদিও ডেগী হিরমনা-রেদিও অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-রেদিওনা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীবদা চাউনা মতেং পাংলি। ঈ-পাউদা নত্তনা ঈশৈ, কলা সংস্কৃতি অমসুং তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং মীয়ামদা য়ৌহনবদা রেদিওনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। থা অসিগী ২৩ দা শন্দোক্কদবা প্রধান মন্ত্রিগী পুকিং ৱা, মনকি বাট থৌরমদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকপীরকবসু প্রধান মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

প্রসার ভারতিগী চীফ একজিক্যুতিব ওফিসার (সি.ই.ও) গৌরব দ্বিবেদিনা হায়-অকাশবানিনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অমসুং নাৎ-চৎনবীবু মীয়ামদা পাক শন্না খঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অকাশবানিনা মীয়ামদা ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবা ই-পাউ কয়া শন্দোক্তুনা তাহল্লি।

অকাশবানি ইম্ফালনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ষ্টেসন অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস-এল. নন্দাকুমার, হেদ ওফ প্রোগ্রাম-নোংথোন্বম রোমা, ওফিসারশিং, ষ্টাফশিং অমদি আর্টিশিংনা শরুক য়াখি। মখোয়না অকাশবানি ইম্ফালগী থৌরম পরেংবু থৱায় য়াওনা তারিবা মীওইশিংদা থৌরমদুদা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি।

নুমিৎ অসিগী মরি লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাপমদা লৈবা নাউরেম বিহারি কলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্মুনিকেসননা শিনদুনা নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মদুদা, নাউরেম বিহারি কলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস

কম্মুনিকেসনগী ঐচ.ও.দি. ডা: থোকচোম বিদ্যারানি দেবী, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ, ওফিস অসিগী প্রোগ্রাম ইগজকিটিব-রাইচন্দা চিংথাম অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা দি.আই.পি.আরগী জোইন্ট দাইরেক্তর-অরিবম বালকৃষ্ণ, দিপার্টমেন্ট ওফ মার্স কম্মুনিকেসনগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা সি.আর.পি.এফ. পার্সোনেলশিং দিপ্লোই তৌদুনা মখোয়না ওপরেসন কয়া পাঙথোকপগী মতাংদা সি.আর.পি.এফকী ওফিসিএলশিংনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা পাউদমখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নখিবা অদুদা সি.আর.পি.এফ. মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী আই.জিগী থৌ পুরিবা ডা: বিপুল কুমার অমসুং নৌনা আই.জি. ওইনা চার্জ লৌরগদবা রাজেন্দ্র নরায়ন দাস শরুক য়াখি।

অমরোমদা, রিমস ইম্ফালগী দাইরেক্তর ওইরিবা-প্রোফেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মনা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা ইন্সটিট্যুট অসিনা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখ্রে। রাজ্যপালনসু মহাক্কী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি।

**দিসি (এল) ঃ** মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী রেসিদেন্সিয়েল স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপদা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কমিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ইয়ার ইন্দিয়ার অমসুং ইন্দিগো এয়ারলাইন্সতা

কেবিন ক্রু ওইনবগীদমক মীওই ৫০০ ত্রেনিং পীগনি। ত্রেনিং অসিদা য়াওনিংবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্প নোদেল ওফিসারগী খুত্থাংদা থা অসিগী ১৬ ফাওবদা অকপ্পা মরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**মুক্তা (এল)ঃ** নক্সা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী ভোলুন্টিয়ারশিংগী ওইবা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং ওফ ত্রেন্নরগী প্রোগ্রাম অমা ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নরগী কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নক্সা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী সিগনেচর কেম্পেইন অমা দি.সি. অহন্থেম সুভাসনা হৌদোকখি।

**ৱাটর (এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-ডা: এন. জোন্সননা হায়রি-ঈশিং হায়বসি থৱায় পানবা জিবশিংনা হিংবদা তঙাইফদনা চংবা পোৎশক অমনি। মসিবু লিকা শিজিন্নবগী হৈনবী থমসি।

ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সি মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা ৱাটরসেদ যাত্রা আউটরিটচ কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী জোন্সননা হায়-ঐখোয়না ঈশিং অসি মরম চাদনা মাঙহনলোহ্দবনি। মীপুম খুদিংমকা নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী থমগদবনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** প্রাগ সিনে এৱার্ড ২০২৫ গী নোমিনেসন লাউথোকপদা মনিপুরি ফিল্ম 'য়াহৌথেংবা খোইমু' বু ভেষ্ট ফিল্ম নোর্থ ইষ্ট অমদি ভেষ্ট এক্তর মেন অমসুং ফিমেল খল্লক্লে। ফিল্ম অসি ডা: আর.কে. নোয়োনসানানা পুথোকপা অমদি রাকেশ নাউরেমনা দিরেক্সন পীবনি।

**সংসদ ঃ** বিরোধিশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লবসু জোইন্ট কমিতি রিপোর্ট ওন

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৪ ঙসি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা পুথোকখ্রে।

লোক সভা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা ফম্বা হৌরকপদা জোইন্ট কমিতিগী চেয়ারমেন-জগদম বিকা পালনা রিপোর্ট অদু সভাদা পুথোকখি। মদুদা বিরোধিশিংনা লাউ খোংদুনা চরাংনবা থোকহনখি। চরাংনবা মরক অদুদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রিবা রিপোর্ট অদুদা য়ানিংদবা ৱাফমশিং হাপচিনবদা লোক সভাগী অধ্যক্ষনা অয়াবা পীরগদি মদুদা বি.জে.পিনা অয়েৎপা লৈতে হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি। বিরোধি দলশিং, কংগ্রেস, দি.এম.কে. সমাজৱাদি পার্টি, ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং অতৈ দলশিংগী সদস্যশিংনা রিপোর্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা সভাদগী মপান থোকখি।

পনবা য়াবদি, জোইন্ট কমিতি ওন ৱাকফ এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৪ সংসদতা পুথোরকপদা বিরোধিশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হাউসতা চরাংনবা থোকহল্লকপগী লোক সভা মীফম নুংথিল পুং অনি ফাওবা য়ৈথোকখি।

**সিতারামন ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি লোক সভাদা ইনক টেক্স বিল-২০২৫ পুথোকখ্রে।

বিল অসি ইনকম টেক্সকা মরী লৈনবা আইনশিং শেমদোক শেমজিন তৌদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। বিল অদু সভাদা পুথোক্লদুনা শেল থুম মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা বিল অসি হৌজিক লৈরিবা ইনকম টেক্স এক্ট অসিগা য়েংনরুবদা সেক্সন অমসুং চেপ্তুর মশিং য়ামদে। মসি মীচম মীয়ামনা হেন্না অরাইবা মওংদা খঙননবা শেমদোক শান্দোক্লে। বিল অসি মখা তানা য়েংশিন্নবগীদমক্তা সংসদকী সেলেক্সন কমিতিদা থাননবা অদুগা কমিতিনা মথংগী সেসনগী অহানবা নুমিৎতা মসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীশিল্লকবা মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**মীসন ঃ** কেন্দ্র সরকারনা হায়রি-জল জিবন মীসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোং কোতি ১৯ গী মনুংদা কোতি ১৫ হেন্না থকনবা অফবা ঈশিং ফংহনখ্রে।

লোক সভাদা পীবা অইবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি- সি.আর. পতিলনা হায়-ইং ২০১৯ দা মীসন অসি হৌদোকখিবা মতমদগী শুপ তগী খুঙ্গংগী য়ুম কোতি অহুম লাখ ২৩ রোমতমক থকবা ঈশিং ফংহনখি। মহাক া হায়-মীসন অসি হৌদোকখ্রবা মতুংদগী লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুম কোতি ১২ লাখ ২২ দা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমলে। মন্ত্রিনা হায়-অরুনাচল প্রদেস, গৱা, গুজরাট, হিমাচল প্রদেস, মিজোরাম, পঞ্জাব অমসুং তেলঙ্গানা য়াওনা রাজ্য ১৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চাদা ১০০ খুঙ্গংগী লমদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমদি নোর্থ ইষ্ট এসোসিয়েসন সোসিএল ৱেলফিয়ারনা পুন্না শিনদুনা অৱাং নোংপোক ভারতকী নাৎ-চৎনবী অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লমদা লৈরিবা থৌনা অমদি হৈ-শিংবশিং উৎনবগী নুমিৎ নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ফেষ্টিবেল অমা থা অসিগী ১৫ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মদুদা, অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোই লিশিং অমা হেনবনা শরুক য়াগনি।

**টোবেকো (এল)ঃ** নেসনেল টোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.টি) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কোওর্দিনেটিং কমিতিগী জিলা থাক্কী মীফম অমা ঙসি ককচিং দি.সি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, এস.পি, এন.টি.সি.টিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

**ট্রান্সপোর্ট (এল)ঃ** ৱাংজিং ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়ননা শিনদুনা য়ুনিয়ন

অসিগী অহানবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং হাদোম্বা মনিং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অমদি লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখি।

**বেতি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিং অমদি আই.সি.দি.এস. সেল ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগাম ওফিসার-ককচিংনা খুৎশমদুনা বেতি বচাউ-বেতি পরাউ স্কিমগী ১০ শুবা এদিসনগী মখাদা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা সেকমাইজিং গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা উ-চারাশিংসু থাখি।

**শঙ্গাবা (এল) ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ কর্ম্মসকী নৌনা শাবা কনফরেন্স হোল ঙসি কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার-এ. নবাচন্দ্রনা শঙ্গাখ্রে।

হৌজিক কলেজ অসিদা পাঙথোক্লিবা কলেজ লিক্কী শরুক অমা ওইনা লিটরেরি মিটতা তোঙান তোঙানবা চাংদমবা কয়া পাঙথোকখ্রে।

**আশা (এল)ঃ** মনিপুর আশা ৱাকরস য়ুনিয়নগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোক্কুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মমাং থাগী ২৩ দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিল্লকপা অদু মখা তানা চত্থবা অমদি হন্দোকপগী ৱাফম য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী লৈতে হায়বনচিংবা য়াওরি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসিএলশিং অমদি ষ্টাফশিংনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি রেড চত্থবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর কয়া

ফাগৎলে হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কঞ্জুমর ২৯ গী মৈশিং ককথৎলে। মখা তানা মৈ দ্রাইব চত্থখিগনি হায়রি।

**গেমসঃ** মমাং থাগী ২৮ দগী উত্তরাখন্দদা চত্থরকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস হয়েং লোইশিল্লগনি।

মনিপুরগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ফেন্সিংদা লুপাগী তকমান অমা, শেঞ্জেংগী অমা অদুগা জদো মশান্নদা শেঞ্জেংগী তকমানশিং ফংখি।

গেমস অসিগী ঙসি ফাওবদা মণিপ্রনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ১৬, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৫৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১০ সুবা মফমদা লৈরি।

সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা সনাগী ৬৬, লুপা ২৫, শেঞ্জেংগী ২৬ পুন্না তকমান ১১৭ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি।

মহারাষ্ট্রনা সনাগী ৫২, লুপাগী ৬৮, শেঞ্জেংগী ৬৮ পুন্না তকমান ১৮৮ ফংদুনা অনিসুবদা, হরিয়ানানা সনাগী ৪৪, লুপাগী ৪৫, শেঞ্জেংগী ৫৬ পুন্না তকমান ১৪৫ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

**মেট ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়দা হয়েং ফাওবা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

অরুনাচল প্রদেসকী মফম খরদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমদা পারপনা নোং তাগনি।

**কিল্ড ঃ** রাজস্থানদা বস অমগা ত্রক অমগা থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিরে, অনিনা শোক্লে। থৌদোক অসি কোটাগী দিল্লি-মুম্বাই এক্সপ্রেস ৱেদা ঙসি থোকখিবনি।

মীওই ৫৭ তোংলকপা বস অদু মহা কুম্ভা মেলা য়াওরুরগা মধ্য প্রদেসকী মানসোরদা হল্লকপনি। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা বস অদুনা লন্বীগী মতাইদা খামদুনা ত্রক অদুদা থোমজিনবদগী থোকখিবনি।

অমরোমেদা, উত্তর প্রদেসকী খুশি নাগরদা ত্রক অমগা ওটো রিক্সো অমগা থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিরে, মরিনা অশোক অপন নংলে। অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়েংলি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ পাইয়োনর ক্লবনা শিনদুনা কিয়ামগৈ হৈবোং মখোং লম্পাক্তা চথরিবা ১৩ শুবা খাগেন্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আই.পি.এস. কিয়ামগৈনা আর.এস.এফ.সি. লমশাংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.ৱাই.য়ু.সি. ইরেংবন্দ অমসুং জোন এফ.সি. পাঞ্জল অনি অনি চন্দুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** জিরিবামদা চথরিবা অহানবা থিংবাইজম অতোয়াইবা মেমোরিএল ওপন সিক্স এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.এস. এফ.সি (বি) না য়ুনাইটেদ ব্রদর-লাখিমপুরবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.আর.সি.কে. জিরিবামনা ঈচেল ক্লব-দিবোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ লিক্তা য়ু.এস.এনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এদল্ট এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল

১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-ইলিট এফ.এ. অমসুং টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ন পাঞ্জল অমমম চন্দুনা দ্রো চৎখ্রে। সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবনা এঠলেটিক ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্না ই.এস.য়ু-ৱাংখৈবু রন-৫৫ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.ই.ঐচ.য়ু. লালাম্বুংনা কে.সি.সি.-কোংববু রন-৯ দা থোইখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা লিক মেটচতা এ.এম.সি.এ. থৌবালনা সি.ৱাই. এস.এ. খাঙবোকপু রন-১৬৭ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-আর.সি.এ. লিলোংনা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্ পার্ট টুবু রন-১৪২ দা, পি.পি.সি.সি. পাৎশোইনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন-২৮ দা থোইখি।